# ইরাক আই এস কী মথক্তা ফ্রান্সনা অহানবা ওইনা এয়ারস্ত্রাইক চখবা হৌখ্রে



যু এ ঈ গী বেজদগী ফ্রান্সকী রাফেল ফাইটর জেটশিংনা ইরাক্কী নোংথক্তা পাইশিল্লক্লি

**পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ** ফ্রান্সনা ঙসি হায়খিবদা, মসিগী জেটশিংনা ইরাক মনুংদা অহানবা ওইনা এয়ারস্ত্রাইকশিং আই এস কী মথক্তা চখবা হৌখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইস্লামিক ষ্টেট ইন্সরজেন্টশিংগী মথক্তা চংশিনবা মিলিটরিগী ওইবা লাঞ্জংশিং য়াওরগনি হায়না লৈবাক অসিনা লাউথোকখিবা মতুংদা ঙসিগী এয়ারস্ত্রাইক অসি অহানবা ওইনা চখিবনি।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.৪০ রোম তাবদা ঐখোয়গী রাফেল জেটশিংনা টেরোরিষ্টশিংগী লোজিষ্টিক্স দিপো অমদা অহানবগী ওইনা স্ত্রাইকশিং চখি হায়না ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রান্সৱাজ ওলান্দগী ওফিসনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরকখি।

অৱাং নোংপোক থংবা ইরাক্তা ফ্রান্সনা টার্গেট তৌখিবা মফম অদু মপুং ফানা মাঙ–তাকহনখ্রে হায়নসু চেরোল অদুদা ফোঙদোরক্লি।

মখা তারদুনা চেরোল অদুদা হায়বদা লাক্কদবা নুমিৎশিংদসু অসিগুম্বা ওপরেসনশিং মখা চত্থরকখিগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ঙরাংসু ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট অসিনা পাউগী মীফম অমদা হায়খিবদা ফ্রেন্স এয়ারস্ত্রাইকশিং চত্থরকপা শোয়দ্রবনি হায়বগা লোয়ননা অহানবগী য়েংশিন–খোৎচিনবা ওইনা পাইরুবা ফ্লাইটশিংনা টার্গেটশিং হেক খঙদোকপগা শোয়দনা স্ত্রাইক চত্থরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

লান্মীগী ওইবা খোঙথাংশিং অসি ইরাক্তগী হেন্দোক্লোই হায়বগা লোয়ননা লৈখাদা খোঙ লান্মী থাজিনবগী ৱাফমদি লৈতে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি য়ু এস না ইরাক অমদি সিরিয়াগী অৱাংথংবা লমদমশিং খুদুম চল্লিবা আই এস মিলিটেন্টশিংবু মায়থিবা পীনবা মিলিটরিগী, পোলিটিকেলগী অমদি ফাইনান্সিয়েলগী ওইবা পোজিসন অমা শেম্বদা ফ্রান্সসু য়াওগনি হায়না মমাংদা ফোঙদোকখ্রবনি।

চংখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর মঙা, য়ুরোপিয়ান অমদি আরব লৈবাকশিং অদুগা ঈ য়ু গী মীহুৎশিং অমদি আরব লিগ অমদি য়ু এন গী মীহুৎশিংসু য়াওবা মালেমগী থাক্কী কনফরেন্স অমা ফ্রান্সকী পেরিসতা পাঙথোকখিবনি।

পাঙথোকখিবা মীফম অদু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মায়োক্তা মালেমগী ওইবা খুৎশম্নবা লাল্লোং অমা চংশিনবা য়ানবা মরমদা কুপ্না খন্নখিবনি।

চংখিবা নিংথৌকাবদা ফ্রান্সকী প্লেনশিংনা ইরাক্কী নোংথক্তা রিকনেসেন্স ফ্লাইটশিংসু পাইখ্রবনি হায়না লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# ইতিহাসিক ওইরবা ভোট্রা স্কোটশিংনা নীংতম্ববু য়াখিদ্রে

**এদিনবর্গ, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ** য়ুনাইটেদ কিংদমদা শেল থুমগী ওইবা কাং–খোং চাইবা অমদি লৈবাক অনি থোকপা য়াবগী অকিবা ফাওহনবা ইতিহাসিক ওইবা রিফরেন্দম অমদা স্কোটলেন্দ ভোটরশিংনা নীংতম্ববু পামদবগী ভোট পীখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

চহি ৩০৭ শুরক্লবা য়ুনিয়ন অসিগী বৃটিশ মচা মিলিয়ন কয়ামরুমগী মরক্তা প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমেরোনসু য়াওনা মালেম শিন থুংবদা লৈরিবা য়ুনাইটেদ কিংদম্বু অনি থোকপা য়াবগী অকিবা ফাওখিবা পুন্নমক্কী মফমদা ভোট অসিনা থোইদোক্না পুক্নিং লুম্না অমা ফাওহনখ্রে হায়রি।

নীংতম্ববু য়াদবশিংনা ভোট চাদ ৫৫ ফংখি। অদুগা য়ুনাইদেট কিংদমদগী স্কোটলেন্দ তোখায় তবা পাম্বশিংনা ভোট য়াদ ৪৫ ফংখি। ভোট মিলিয়ন ৩.৬ লৈবগী মনুংদা থাদনখিবগী চাং চাদ ৮৫ নি হায়না রেকোর্দ তৌখি।

অদুমকপু য়ুনাইটেদ কিংদম শিনবা থুংনা লৈরিবা লিদরশিংনা হায়খিবদা, করিগুম্বা য়ুনিয়ন অসি কায়দনা লৈহনবা পাম্লবদি করিগুম্বা খরদি হোংবা তাবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লখি।

য়ুনিয়ন শৌগৎপশিংনা গ্লাসগোদা আচা–অথকশিংগা লোয়ননা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি।

স্কোটলেন্দগী নেসনেলিষ্ট লিদর এলেক্স সালমন্দনা এদিনবর্গতা নীংতম্বগী ঈহৌ মায়থিরে হায়বা য়াজবা ফোঙদোকখ্রে। য়ু কে গী প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমেরোননা হায়খিবদা, স্কোটলেন্দ নীংতম্বগী ৱাফম অসি মীরোল অমগীদমক্তদি য়ান্নবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ডাউনিং ষ্ট্রিটতা লৈবা ওফিসিয়েল লণ্ডন রেসিদেন্সকী মপান্দা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা হায়খিবদা হৌজিক্তি মুক্নবা নত্রগা নৌনা ভোটহনবনচিংবা অমত্তা লৈররোই। স্কোটলেন্দ মীয়ামগী লৈতারবা অরেপ্পা ৱাখল ঐখোয়না খঙবা ঙম্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বালমোরেলদা লৈবা স্কোটিষ্টি কাষ্টলদা লৈরিবা ইলিজাবেঠ সেকেন্দসু ঙসি থোইদোক্না তাংলবা ৱারোল অমা পীরবা য়াই হায়না খন্নবা লৈরি।



রিফরেন্দম ভোট্রা স্কোটলেন্দ নীংতম্বা পামদবশিংনা য়ুনিয়ন ফ্লেগ থাঙ্গত্তুনা হরাওবা ফোঙদোক্লি

পনবা য়াবদি, স্কোটলেন্দ নীংতম্বগী কেম্পেইন অসিনা মীকোক মিলিয়ন ৫.৩ লৈরিবা লৈবাক অদুবু অখঙ–অরাক অমা ফাওহনখিবগা লোয়ননা মরুপ–মপাং অমদি ইমুং মনুংগী ওইবা নুংশিনবা ফাওবা অনি থোকহনখ্রবনি।

রিফরেন্দম অসিগী মতুংদগী দোল্লরগা য়েংনবদা ষ্টর্লিংগী মপাঙ্গল খঙহেন হেনগৎখ্রে। বৃটিশ বোন্দস অমদি সেয়ারশিং খঙৱাং ৱাংখৎখ্রে। স্কোটলেন্দগী মফমশিংদা হাংদোকপা বৃটিশ কম্পেনিশিংনসু রিফরেন্দমগী ভোট অসিবু তরাম্না ওকখ্রে। রোয়েল বেঙ্ক ওফ স্কোটলেন্দনা হায়খিবদা, বেঙ্ক অসিগী রেজিষ্টার ওফিস ইংলেণ্ডদা হোংনবগী থৌরাং অদু তোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অত্তৌবা অমদি হিগোক মচুগী ওইবা অচৌবা স্কোটলেন্দগী ফিরাল অমগী মমাংদা ৱা ঙাংলদুনা এলেক্স সালমননা মায়থিবা অসি য়াজখিবগা লোয়ননা লণ্ডনগী বৃটিশ পোলিটিসিয়ানশিংদা ৱার্নিং ওইবা ৱারোল অমা ফোঙদোকপদা অরোয়বা মীকুপ্তা মখোয়না স্কোটলেন্দদা অহেনবা শক্তি পীগনি হায়না ৱাশকখিবদু ঙাকপা চুম্মী হায়না খঙহনখ্রে।

# গিনিদা মীওই ৮ না শাবা হেল্থ টিম হাংখ্রে

**কোনাক্রি, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ** এবোলা লায়নাগী মরমদা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবা হোৎনরুবা হেল্থ টিম অমগী মীওই নিপাল খুঞ্জাশিংনা থাঙ অমদি চৈতুপশিং শিজিন্নদুনা হাংখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



শিখ্রবা হেল্থ ৱার্করশিং অদুগী অশিবা হকচাং খরদি জেরেকোরে সিটিদা লৈবা স্কুল অমগী মনাক্তা লৈবা সেফটিক টেঙ্ক অমদা ফংলে হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

পনবা য়াবদি, খুঞ্জা অয়াম্বনা লায়না অসি মায়োক্নবা হোৎনবদা গভর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল ওইনা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংবু চিংনৈ হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱেষ্ট আফ্রিকাদা হৌজিক ফাওবদা এবোলা লায়চৎতগী মীওই ২৬০০ হেন্না শিহনখ্রবনি। হন্দক্কী অসিনা মালেমদা এবোলাগী খ্বাইদগী শাথিবা লায়চৎ ওইবগা লোয়ননা ওফিসিয়েলশিংনসু পুন্না মীওই ২০,০০০ রোম লায়না অসিনা ইনফেক্ট তৌহল্লবা য়াই হায়না ওফিসিয়েল ওইনা ফোঙদোকখ্রবনি।

গিনিগা য়ুম্লোন্নরিবা সিয়েরা লিওন্দসু লায়না অসিগী লায়চৎ শন্দোরকপা থিংনবা থৌরাং ওইনা নুমিৎ হুম্নি কার্ফিয়ু থমজিনবদগী চাউনা ৱায়াম্নবা অমসু থোক্লিবনি।

ঙসি হাৎখ্রিবা হেল্থ টিম অদুগী মীওইশিং অদু খা থংবা গিনিগী ৱোমে ভিলেজদা হেক থুংলবগা খুঞ্জাশিংনা নুংনা থাবদগী মফম খঙখিদ্রবনি। খুঙ্গং অসিমক হন্দক্কী এবোলা লায়চৎ অসিগী ইহান হানবা হৌরকফমনি হায়না রেকোর্দসু তৌরিবনি।

হিংনা নাম্থোরক্লবা পাউমী অমনা অতৈ পাউমীশিংদা হায়খিবদা, খুঞ্জাশিংনা হেল্থ টিম অদুবু কোয়থি থিন্নখিবা মহাক তারকই অদুবু মহাক্তি লোত্তুনা লৈহৌবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্টরনা লুচিংবা গভর্নমেন্টকী দেলিগেসন অমসু লমদম অদুদা থাজিনখিবগা লোয়ননা মরুওইবা থোং অমা থিংজিনখিবদগী দেলিগেসন অসি খুঙ্গং অদু য়ৌশিনবা ঙমখিদবনি হায়রি। চৎখিবা শগোলশেলগী অহিংদা গভর্নমেন্টকী ৱাঙাংলোই এলবার্ট দমান্টাং কামারানা হায়খিবদা, হেল্থ টিম অদু খুঞ্জাশিংনা কোল্ড ব্লদতা হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হকচাংশিং অদুদা থাং অমদি চৈতুপ্পচিংবা শিজিন্নখিবগী খুদম ফংই হায়রি। মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা মীওই তরুক ফাখিবগা লোয়ননা খুঙ্গং অসি হৌজিক্তি খুন্তাক লানশিরে হায়রকই।

হেল্থ টিম অদুবু করি মরমগী হাৎখিবনো হায়বা চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু গিনিগী কোনুং কোনাক্রিদগী বি বি সি গী পাউমী মাকেমে বম্বানা হায়খিবদা, খুঞ্জা অয়াম্বনা হেল্থ ৱার্করশিং অদুবু লায়না অসি শন্দোকই হায়না মরাল শি হায়রি।

অদুবু খুঞ্জা খরদি লায়না অসি লৈ হায়বা শুকথা থাজদ্রি হায়রি। মমাং থাদসু মীয়ামগী ওইবা কৈথেল অমবু দিস ইনফেক্ট তৌনবা হোৎনখিবা মেদিকশিংদা মীয়াম্বু লায়না নাহন্নবা হোৎনবনি হায়না মরাল শিবদগী ৱোমেদগী কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্না লৈবা জেরেকোরেদা রাইওট অমসু থোকখিবনি।

# গ্লেক্সোস্মিঠক্লাইন ফাইন থিহনখ্রে

**বৈজিং, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ** য়ুনাইটেদ কিংদমগী ফার্মাস্যুটিকেল ফার্ম অমা ওইরিবা গ্লেক্সো স্মিঠ ক্লাইনবু চাইনানা দোল্লর মিলিয়ন ৪৯০ (পাউন্দ মিলিয়ন ২৯৭) ওইবা ফাইনগী শেলফম অমা থিহনখ্রে হায়রি।

ৱানোমশেল লৌবগা মরী লৈনবা কেস অমদা কোর্টনা ফার্ম অসিবু মরাল লৈরে হায়বা খুদম ফংবা ঙমখিবনি। দ্রগ জাইন্ট অসি মখোয়না পুথোকপা পোৎলমশিং হেন্না শিৎনবা পান্দমদা ডাক্তরশিং অমদি হোস্পিতালশিংদা য়াম্লবা শেলফমশিং ৱানোমশেল ওইনা পী হায়বা ৱাফম অচুম্বনি খঙনরকপদগী ফাইন থিবগী চৈরাক অসি পীখিবনি।

জি এস কে গী হান্নগী চাইনিজ ওপরেসনশিংগী মকোক ওইরম্বা মার্ক রিলিবু কোর্টনা চহি অহুম কৈশুমশঙদা লৈবগী সেন্টেন্স অমদগী সস্পেন্সন্দা থমখিবনি। অদুগা মহাক ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা চাইনাদগী পুথোকখিনবা ৱারেপসু লৌখ্রে হায়রি।

অতৈ জি এস কেগী একজিক্যুটিভ খরসু সম্পেন্দেদ জেল সেন্টেন্স পীখি। অরোইবা ভর্দিক্ট অদু নোংমগী ওইবা ৱায়েল থৌরম অমা চাংসাদা লৈবা কোর্ট অমদা চত্থরবা মতুংদা তাখিবনি হায়নসু জিন হুৱা নিউজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী মমাংদা জি এস কে গী মথক্তা থিজিল্লি হায়না মমাং চহিগী জুলাই থাদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা অহানবা ওইনা লাউথোরকখিবনি।

মতম অদুদা চাইনাদা লৈবা ফোরেন ফার্ম অমগী মথক্তা খ্বাইদগী চাউবা করপসনগী স্কেন্দল অমসু ওইখিবনি। ৱানোমশেল পীরবা মতুংদা কম্পেনি অসিনা আইননা য়াদবা মওংদা দোল্লর মিলিয়ন ১৫০ রোম শেন্দোং ওইনা ফংখ্রে হায়নসু মরাল শিখিবনি।

জি এস কে না হায়খিবদা, ফার্ম অসিনা চাইনিজ গভর্নমেন্ট অমদি মসিগী মীয়ামদা লানখ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা চেরোল অমা থোকখ্রে হায়রি।

# জাপান প্রাইম মিনিষ্টরনা খা কোরিয়াগা মরী ফগৎহনবা পাম্লি

**টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ** জাপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা খা কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গিয়ুন–হয়েদা ঙসি খুৎশিন্নখিবা চিঠি অমদা লৈবাক অনিগী মরক্তা সম্মিট মীটিং অমা পাঙথোকপা পাম্মী হায়বা ৱাফম খঙহনখ্রে।

লৈবাক অনিগী মরী খরদং ফৎচিল্লক্তবা অসিগা মরী লৈননা য়াশিন্নবা য়াবা ৱারোইশিন অমা ফংনবগী পান্দমদা সম্মিট মীটিং অমা পাঙথোকসি হায়না অবেনা পার্কতা খঙহনখিবনি।

সিওলদা হৌজিক লৈরিবা হান্নগী জাপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিরো মোরিগী খুত্থাংদা অবেনা ফংহনখিবা চিঠি অদুদা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনি অসিগী দিপ্লোমেটিক ওইবা মরী শেমগৎপা হৌরকখিবগী ৫০শুবা নীংশিং কুমওন পাঙথোকপগী ৱাফমসু পনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি অনিশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতমদা জাপান্না চত্থিবা থবক থৌরম খরগী মরমদা খা কোরিয়ানা কন্না পেন্দবা ফাওরিবনি। চিঠি অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবদা, হন্দক্কী নীংথম থা অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স অমগী থৌরম মনুংদা খা কোরিয়াগী প্রসিদেন্টপু উন্নবা ফংবগী আশা তৌরি হায়না অবেনা খঙহনখি।

লুচিংবা অনি অসি লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা ইটলিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান অমদি য়ুরোপিয়ান লিদরশিংগী সম্মিট মীটিং অমদসু উন্নবা য়ানা লৈরি। অদুগা লাক্লিবা নবেম্বর থাদা বৈজিংদা পুনগদৌরিবা এ পি ঈ সি গী লিদরশিং উন্নবগী থৌরমদসু লুচিংবা অনিসি উন্নবা য়ানা লৈরি।

নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা চহি অনিরোমসি অনিশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মনুংদা জাপান লান্মীশিংবু পেলহন্নবা কোরিয়ান নুপীশিং শিজিন্নদুনা ওক্ত শঙশিং লিংখি অমদি কোরিয়া নুপীশিংবু নমদুনা থবক তৌহনখি হায়বগী মতাংদা লৈবাক অনি অসি কন্না নুংঙাইনরকখিদবনি।

অবেগী ৱারোল অসিদা পার্কনা খুদক্কী ওইনা পাউখুম পীরকপদি তৌদ্রি। অদুমকপু লাঞ্জাও মতমদা সেক্সুয়েল স্লেব ওইহনখিবা নুপীশিং অদুগী অকিবশিং অদু কোকহন্নবা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক লৌখৎপা মথৌ তাবদি লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টোকিয়োগী মায়কৈদগী এসিয়াগী লৈবাক অনি অসিগী মরী ফগৎহন্নবা ঈচং থৌবা ৱারেপ অমা লৌরকপা মথৌ তাই হায়নসু পার্কনা ফোঙদোকখিবনি।

জাপানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মোরিনা সিওলদা পার্ককা উন্নখিবা অদুবু জাপানিজ গভর্নমেন্টনা তরাম্না ওকখ্রে। জাপানগী চিফ কেবিনেট সেক্রেটরি য়োসিহিদে সুগানা ঙসি পাউমীশিংদা হায়খিবদা, মোরিগী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহনবা জাপানিজ এম পি শিংগী কাঙলুপ অমবু মকোক চিংখিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিরো মোরি অসি খা কোরিয়াদা অৱাংবা থাক্কী খঙন–চান্নবা মীওইশিংসু লৈবনি। মহাক্না খা কোরিয়া চংখিবদা পার্কনসু তরাম্না ওকখি।

# আষ্ট্রেলিয়ানা পার্লিয়ামেন্টকী চেকশিন থৌরাং হেনগৎহনখ্রে

**সিডনী, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ** আষ্ট্রেলিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা এক্সট্রিমিষ্টশিংনা টার্গেট তৌদুনা এটেক তৌরকপা য়াই হায়বা ৱারোল খরা ফংবদগী পার্লিয়ামেন্টকী চেকশিন থৌরাং কা হেন্না হেনগৎহনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

আষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর টোনি এবোটনা হায়খিবদা, কেনবেরাদা লৈবা পার্লিয়ামেন্ট অসিগী অশোয় অঙাম থোক্তনবগী থৌদাং আষ্ট্রেলিয়ান ফেদরেল পুলিসনা লৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সিদনিদা পাক শন্না অচৌবা এন্টি টেরোরিজম রেইদ চত্থখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। থৌরাংশিং অসি মরুওইনা আষ্ট্রেলিয়াদা আই এস শৌগৎপশিংনা মী মঙক কত্তুনা হাৎনবা থৌরাং তৌরি হায়বদু ওইথোকহন্দনবা লৌখৎপনি হায়রি।

হৌখিবা চয়োল খরগী মনুংদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) মুভমেন্ট অসি ইরাক অমদি সিরিয়াদা পাকথোক চাউথোরকখিবগা লোয়ননা আমেরিকান পাউমী অনিগা বৃটিশ এইদৱার্কর অমগা মঙক কত্তুনা হাৎপগী ভিদিওশিং থাদোরকখিবনি।

আষ্ট্রেলিয়ান ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন (এ বি সি) দা ৱা ঙাংবদা এবোটনা হায়খিবদা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিং অসিসু টার্গেট ওইবা য়াবগী চাউনা চিংনবা লৈরে। টেরোরিষ্টশিংবু শৌগৎপা নেটৱার্কশিংদা গভর্নমেন্ট অমদি গভর্নমেন্টপু য়াবা মীশিংগী মথক্তা এটেক তৌবগী ৱাফম খরা লৈরে। ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা পার্লিয়ামেন্ট হাউসসু মরুওইনা পল্লি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

মসিদগী খুদক্কী ওইবা সিক্যুরিটি রিভিয়ু অমা পায়খৎখিবগা লোয়ননা অষ্ট্রেলিয়ান ফেদরেল পুলিসপু পার্লিয়ামেন্টকী মপান খক্তা নত্তনা পার্লিয়ামেন্ট মনুংগী চেকশিন থৌরাংগী থৌদাং শিন্নখিবনি হায়নসু এবোটনা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাংদদি পার্লিয়ামেন্টকী চেকশিন থৌরাং অসি পার্লিয়ামেন্ট মনুংগী ওইবা সিক্যুরিটি টিম অমনা থৌদাং লৌরম্বনি। হৌখিবা শগোলশেলদা চত্থিবা রেইদশিং অদুগী মরমদা হংবদা টোনি এবোটনা হায়খিবদা, সিক্যুরিটি ওফিসিয়েলনা অথুবা মতমদা টেরর নেটৱার্কনি হায়রিবশিং অসিগী ঈ–পাউ ফাউনবগী থবক অকায়বা পীবা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

# নুপা অমনা মচানুপীগা মশু তরুক্কা হাংখ্রে

**ফ্লোরিদা, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ** ফ্লোরিদাগী বেলদা লৈবা য়ুম অমদা মবুবোক অমনা মচানুপীগা মচানুপীনা পোকপা মশু তরুক্কা কাপ্তুনা হাৎলবা মতুংদা মশাদসু কাপশিন্দুনা শিজখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহি থা অহুমদগীনা চহি ১০ ফাওবগী মরক্তা লৈবা অঙাংশিং অদু দোন চার্লেস স্পিরিট হায়বা চহি ৫১ রোম শুরবা মবুবোক অসিনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়রি।

গিলক্রিষ্ট কাউন্টি সেরিফ রোবার্ট স্কলজনা হায়খিবদা, মহাক্কী কলিগ অমনা হৌখিবা শগোলশেলগী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা থোকপা নোংমৈ কাপ্পগী পাউ অমদা দ্যুটি চৎখি অমদি হেক থুংখিবগা স্পিরিটকা উন্নখি। অদুমকপু স্পিরিটনা মশাবু কাপশিঞ্জদুনা শিজখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি দোন চার্লেস স্পিরিট অসি ইং ২০০৬ তসু কৈশুমশঙদা লৈরুরবনি হায়বগা লোয়ননা অসিগুম্বা মীহাৎ অসি মমাংদা ঐ অমুক্তা উরকখিদ্রি হায়নসু স্কলজনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউ অসিনা কাউন্টি অসিবু অমদি মীয়াম্বু শাথিনা নুংঙাইতবা ফাওহল্লগনি। ঐখোয়গী অসিদি অপিকপা কাউন্টি অমনি অমসুং অপিকপা ইমুং অমগুম্বনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীয়ামদা অৱাবা তারবা ইমুং অসিগীদমক লাই খুরুম্বীনবা ঐখোয়না হায়জরি হায়নসু স্কলজনা ফোঙদোকখি। স্পিরিট মথন্তা শিজরবা মতুংদা পুলিসনা য়ুম অদুদগী অশিবা হকচাং তরেৎ অদু ফংখিবনি। ফ্লোরিদাদা স্পিরিট অসি নোংমৈগা মরী লৈনবা কেস অমদা ইং ২০০৬ তা কৈশুমশঙদসু লৈরুরবনি।

| সনা–সুদোকু– ১০৩ কী সোল্যুসন | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 8 | 9 | 2 | 6 | 5 | 4 | 1 | 3 |
| 4 | 3 | 5 | 1 | 8 | 7 | 2 | 6 | 9 |
| 2 | 1 | 6 | 3 | 9 | 4 | 7 | 8 | 5 |
| 8 | 5 | 7 | 4 | 3 | 1 | 6 | 9 | 2 |
| 3 | 4 | 1 | 6 | 2 | 9 | 8 | 5 | 7 |
| 6 | 9 | 2 | 5 | 7 | 8 | 3 | 4 | 1 |
| 1 | 7 | 8 | 9 | 4 | 3 | 5 | 2 | 6 |
| 9 | 6 | 4 | 7 | 5 | 2 | 1 | 3 | 8 |
| 5 | 2 | 3 | 8 | 1 | 6 | 9 | 7 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-104**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | 3 | | | 2 | | |
| 4 | | 5 | | | | 6 | | 3 |
| | | | 8 | 9 | | | | 5 |
| 8 | | 1 | | | 3 | 5 | 2 | 4 |
| | | | | | | | | |
| 9 | 2 | 4 | 5 | | | 8 | | 7 |
| 1 | | | | 4 | 5 | | | |
| 7 | | 6 | | | | 3 | | 2 |
| | | 8 | | | 2 | | 1 | |





